


# সনালৈবাক স্পোর্টস





*টি–২০ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী টিম সনরাইজর্স হায়দরবাদকী কেপ্টেন ওইনা অমুক হন্না খনখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা দেবিদ ৱার্নর*

*ওইথংবা খূউদা ফ্রেকচর ওইবদগী চয়োল ৪ রোম শান্নবা য়াওরোইদবগী ফিভমদা লৈখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই রোবার্ট লিৱান্দোস্কী*

## রেঞ্জর্স এফ সিনা ঐগী খুদোংচাবনি, ফিভম অমত্তদা লেম্না মাঙহল্লোই ঃ বালা দেবী

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

স্কোটিসকী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নবা হায়বসি ঐগী খুদোংচাবা অমনি, ফিভম অমত্তদা খুদোংচাবশিং অসি লেম্না অমত্তা মাঙহল্লোই হায়না ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর বালা দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।



নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ১৮ শুরবী মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই বালা দেবী স্কোটিস ৱুমেন'স লীগকী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স এফ সিদা থা ১৮ শান্ননবগী সাইন তৌনখিবনি।

মহাক্না অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা রেঞ্জর্স এফ সিনা স্কোটিস ৱুমেন'স লীগকী মেটচ অমদা হার্টর্সকা শান্নখিবদা রেঞ্জর্স এফ সিনা গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। বালা দেবীনা স্কোটিসকী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সিদা য়াওবা ঙমখিবা হায়বসি ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল অসি লেপ্পা লৈতনা চাওখৎপগী খূদম অমনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লিবনি।

বালা দেবীনা স্কোটিস ক্লব রেঞ্জর্স এফ সিদা শরুক য়াখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা অহানবা প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর ওইবা ঙমখিবগা লোয়নন্না রেঞ্জর্স এফ সিদা সাইন তৌবা অহানবা এসিয়ান ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর অমসু ওইবা ঙমখিবনি।

রেঞ্জর্স এফ সিগী ট্রেনিং সেসন অমগী মতুংদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা বালা দেবীনা ফোঙদোকখিবদা মফম অসিদা চংখরিবা ট্রেনিং সেসন অসিনা ঐঙোন্দা য়াম্না কান্নবা কয়া পীরি। মতম পূন্নমক্তা ঐহাক্কী মশান্নদা হৈ–শিংবা হেনগৎহনবগী খুদোংচাবা পীরি।

মফম অসিদা চংখরিবা ট্রেনিংগী লেবেল অমসুং ক্লব অসিগী লৈরিবা ষ্ট্রেকচরনা ঐহাকপু মপুং ফাবা শান্নরোই অমা ওইবরোমদা ইনশিনবা ঙম্লি হায়না বালা দেবীনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১০ দগী বালা দেবীনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারকপদা মেটচ ৫৮ শান্নবদা গোল ৫২ চন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা টোপ স্কোরর ওইবা ঙম্লিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী টোপ স্কোরর ওইবদা নত্তনা সাউথ এসিয়ান রিজনগী ওইনসু টোপ ইন্টরনেসনেল গোল স্কোরর ওইরিবনি।

রেঞ্জর্স এফ সিগী ট্রেনিং সেন্টরদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অসি য়াম্না এদভান্স ওইরবা ঙক্লিংঙাই ওইরবা ঙাক্তনি। ত্রেনিং সেন্টর অসি মতমগা চুন্নরবা খূৎশু খূৎলায়শিংগা লোয়নন্না জিমাসিয়ম অমসুং রিহেব সেন্টরসু মতিক চানা লৈরি হায়না বালা দেবীনা মখা তাখি।

ট্রেনিং সেসন্দা শান্নরোইশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনখিবশিং অদুগী মহৈনা মেটচ শান্নরিঙৈ মতমদসু মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিংনা ফংবা পাল্লিবা পূন্নমক মতম চানা ফংবা ঙম্লি। মহাক্না রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নরিবা অসি হৌরকপদা ঙাইরি। অসিগুম্বা ক্লব লেবেলদা শান্নরকপা হায়বসি মঙলান অমা মঙফাওনগুম্বনি হায়না বালা দেবীনা ফোঙদোকখি। রেঞ্জর্স এফ সিগী শান্নরোইশিংবু মতম পূন্নমক্তা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎপী হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## 'ফুটবোল ফোর ওল' লোঞ্চ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২০গী লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা অঙাং ওইরিবশিংবু ফুটবোল মশান্নদা থৱাই য়াওহন্নবগী পান্দমদা 'ফুটবোল ফোর ওল' লোঞ্চ তৌখ্রে।

এন জি ওশিং, ফুটবোল একাদেমীশিং অমসুং স্কুলশিংদগী অঙাং ৩০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা 'কিক ওফ দি ড্রিম' ফুটবোল কারনিভেল অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান–তোঙানবা থৌরম কয়া অমসু উৎতুনা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

শান্নরোই ৫ / ৫ না শাবা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা নোক আওট ফুটবোল চেলেঞ্জ অসিদা মাই এঞ্জেল একাদেমীনা ৱিন্নর ওইখি। ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২০ অসি চহী অসিগী নবেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## এসিয়া কপ ২০২০ দুবাইদা পাঙথোক্লগনি

*কোলকটা, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়া কপ ২০২০ য়ু এ ইগী দুবাইদা পাঙথোক্লগনি হায়না বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট সৌরব গাঙ্গুলিনা ফোঙদোকখ্রে। কন্টিনেন্টেল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান পুন্না শরুক য়ামিন্নগনি। ৱাফম অসি ঙসি গাঙ্গুলিনা ইদেন গার্দেনদা লৈরিঙৈদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা হায়খিবনি। মহাক মার্চ ৩ দা দুবাইদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান ক্রিকেট কাউন্সিলগী মিটিংদা শরুক য়াগনি।

## ২০২০, টৌকিও ওলেম্পিক গেমসতা ভারতকী মেডল থাজবা ৮ (নিপাল)

ওলেম্পিক গেমসতা স্পোর্টস অমা ওইনা নুপা নুপী অনীমক্না শান্নরিবা মশান্না জুদো ইন্দিয়াদা করমকান্দগী হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা অইবা রেকোর্দ ওইনা থেংনবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকপদা থেংনরিবা অসি 1929, দা কবি রবিন্দ্রনাঠ টেগোরনা শিন–লাংদুনা শান্তিনিকেতন্দা জপান ম চাশিজো টাকাগাকিনা দেমোনষ্ট্রেশন তৌহনবগা লোয়নন্না জুদো মশান্না কোচিং তৌহনখি। মসিগী মতুংদগী ইন্দিয়াদা জুদো মশান্না তপ্না–তপ্না পাক শন্না শান্নবা শন্দোকপা হৌরকখি। মশান্না অসি খঙবা পাম্বা হৌরকপগী ৱানি অদুবু জুদো মশান্না অসিগীদমক জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া শেমদুনা লিংবা হৌখিবদি ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুং খরা থেংলপ্না 1965 দা ওইখি। লোয়নন্না অহানবা ওইনা নেসনেল জুদো চেম্পিয়ন্সিপ 1966 তা হায়দরবাদ সহরদা পাঙথোকখি।

অপুনবা ইন্দিয়া অমা ওইদ্রিঙৈ মমাঙ ইন্দিয়া অসি বৃটিশ ইন্দিয়া হায়না বৃটিশনা মচেৎ মচেৎ খুদুম চন্দুনা মতম শাংনা লোয়লম ওইনা লৈরকখিবনা ইন্দিয়াগী প্রজাশিং অসি শান্ন–খোৎনবগী মতাংসি খঙলবসু হৈরবসু পাম্লবসু হেন্না পূক্লিং চীংশিংদুনা মনিং তম্না হোৎনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। মসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইবা তাই ঙসি ঙসি ইন্দিয়ানা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা শান্ন–খোৎনবগী থৌরম কয়াদা মকোক থোংবা ওইবা ইঙম ঙমদ্রিবসি। বৃটিশ ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নীংতম্লবা মতুং অপুনবা ইন্দিয়া অমা শাগৎলবা মতুং অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা 1951 দা এসিয়ান গেমস দিল্লিদা পাঙথোকখি। মসিনা ইন্দিয়ানা নীংতম্না শান্ন–খোৎনবগী মায়কৈদা চঙশিনবা খ্বাইদগী চাওবা খোঙফম অমা ওইখি। অসুম্না ইন্দিয়ানা মায়খরা ওনশিনলকপা মতম অসিদদি মালেমগী লৈবাক খরদি শান্ন–খোৎনবগী মতাংসি য়াম্না মাঙজিন থাদুনা লৈরমখ্রে। হৌজিক্তদা মীকপ থোরকপা অমা ওইনা মখোয়বু তানখৎনবা হোৎনবা হায়বসিমদি অরাইবা ওইদ্রি। তান্নরিবমখৈ অসুম অসুম হেন্না লাপথোকখিবগুম তৌরি। অখণ্ড অহৈ কয়া তান্নদুনা হোৎনবদি লেপ্তনা হোৎনরি লৈবাক অসি শিনবা থুংনা। ৱাফম অমা মণিপুরগী ওইনা মতাং চানা পনজ নিংবদি ইন্দিয়ানা লেপ্তনা হোৎনরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস পৱার হাওস ষ্টেটশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা অমা ওইরম্বা মণিপুর ষ্টেট অসি অতৈ ষ্টেটনা খুদোংচাবা লৌবা ঙম্লিবা অসিগুম্না লৌবা ঙমদে লোয়নন্না ইন্দিয়ানা খঙন খঙনা মীরাইবগুমু তৌরি। করিগুম্বা পঞ্জাব, হরিয়ানা, দিল্লি, ওড়িষা, অসাম্না লৌবা ঙম্লিবা অসিগুম্না মণিপুরনসু খুদোংচাবসি লৌবা ঙম্লম্বা থোক্লবা অদুগা ইন্দিয়ানা মীরাইবগী মীৎয়েংদা থম্লিবা অসিমা থমদ্রবা অদু ওইবা তারবদি মণিপুরী মচানা মশান্না খরা অমদি তৎতনা ওলেম্পিক মেডেল পুরকপা ঙমগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরীশিং পোক্লকপদা শান্নবগীদা য়াওবা শক্তিগী মচাক কয়া ঈশ্বরনা পীরকপদা য়াওরি। হায়দুনা কান্নদে চাওর–চাওরবা ষ্টেট কয়াদগী ওলেম্পিক শরুক য়াবা ঙম্বা শান্নরোই অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা য়াওরিবনি। ইন্দিয়াগী মহুৎশীনবা ঙম্বা নুপী শান্নরোই কয়া অমা মণিপুরদগী থোরক্তুনা ওলেম্পিক্তা, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা, এসিয়ান গেমসতা মেডল পুরকপা ঙম্লিবনি। ইন্দিয়ানা চাওথোকচরিবনি হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা অদুমক লৈথোক্তুনা ইন্টরনেসনেল থাক্কী ওইবা শান্নবগী থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লবা শিনবিদে, পাঙথোক্লবা মফম শেম্বীদে শাবীদে। মসিনি মীরাইবগী খুদম।

জুদো ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা নুপীসি মণিপুরী মচা লৌরেম্বম

**এল. কালা উরিপোক**

ব্রাজেশ্বরী দেবীনি। ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীলক্তগী জুদো মশান্নদা অথোইবা ওইরিবী ব্রাজেশ্বরী, ইন্দিয়াগীদমক ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০ লক শরুক য়াবদা গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ লৌবা ঙমখিবী শান্নরোইনি। বৈজিং ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা কেঐচ তোম্বী দেবী মণিপুরী মচানি। ইন্দিয়াগী নুপী জুদো শান্নরোই কয়াগী মনুংদগী মণিপুরী নুপীমচা কয়া অমনা মতম চুপ্পদা ইন্দিয়াগী মায় ঙাক্তুনা লাক্লি ঙসিফাওবদা। সুশিলা দেবী, অনিতা চনু, থৌদাম কল্পনা ইন্দিয়াগী মায় ঙাকখিবা, চাওথোকচনিংঙাই ওইবা জুদো শান্নরোই ঙাক্তনি। তাবাবী দেবী থাংজম 44Kg কেটোগোরিদা Buenos Aires তা পাঙথোকপা Youth Olympic Games তা ইন্দিয়াগী অহানবা মেডল পুরকখিবী ওইরিবনি। তাবাবী ওলেম্পিক গেমসতা মেডল পুরকপী শান্নরোই অমা শোয়দনা ওইরকখিগনি হায়বসি ইন্দিয়াগী থাজবনি। ২০২০, ওলেম্পিক্সতা জুদোদা (নুপা, নুপী) কনা কনা শরুক য়াবা অমদি মেডল পুরকপা ঙম্বা জুদোকা থোরকপ্রা য়েংবা তারি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ক্লব ব্রজবু এগ্রিগেটতা ৬–১ দা হেন্দুনা য়ুরোপা লীগকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



*লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দনা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা বেলজিয়মগী ক্লব ক্লব ব্রজবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৬–১ দা হেন্দুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

লন্দনদা লৈবা ওল ত্রাফোর্দ ষ্টেদিয়মনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ুম্বু ওইদুনা বেলজিয়মগী ক্লব ব্রজগা শান্নখিবা রাউন্দ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অসিগী ২৭শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ব্রুনো ফর্নান্দেজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই ওদিওন ইঘালো অমসুং স্কোট টোমিনেনা মথংশিৎনা শান্নবগী ৩৪ অমসুং ৪১শুবা মিনিটশিংনা গোল অমমমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল অহুম মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চংখদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৮২শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই ফ্রেদনা গোল অমগা চনশিনবা ঙমখি।

ক্লব ব্রজগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী অরোইবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা চংখরকখিবা এটেক অমদা ফ্রেদনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৫–০ দা মায় পাকখিবদগী এগ্রিগেটতা ৬–১ দা হেন্দুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ ওফ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচতা ইটালিগী ক্লব ইন্টরনা বলগেরিয়াগী ক্লব লুদোগোরেটস রাজগ্রাদপু ২–১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৪–১ দা হেল্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অনীশুবা লেগকী মেটচ অসিগী ২৬শুবা মিনিটতা লুদোগোরেটস রাজগ্রাদকী শান্নরোই কাউটি ওলিভিয়েরা সৌজানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা ইন্টরগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো বিরাঘিনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা ইন্টরগী শান্নরোই রোমেলু লুকাকুনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা হেল্লগা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি ইন্টরনা লুদোগোরেটস রাজগ্রাসপু গোল ২–১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৪–১ দা হেল্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগকী রাউন্দ ওফ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচতা ওলেম্পিকোসনা আর্সনেলবু ২–১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ২–২ দা মান্নখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা ওলেম্পিকোসনা হেন্দুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অনীশুবা লেগকী মেটচ অসি অহানবা হাল্ফতা গোল চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনিটতা ওলেম্পিকোসকী শান্নরোই পাপে অবৌ সিজেনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখি। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ১১৩শুবা মিনিটতা আর্সনেলগী শান্নরোই পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

এক্সত্রা টাইমগী অরোইবা মিনিটতা ওলেম্পিকোসকী শান্নরোই য়ৌসেফ ইল অরাবিনা য়াম্না মরুওইবা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ২–১ দা থোইবগা লোয়নন্না এগ্রিগেটতা ২–২ দা মান্নখ্রবসু গোল দিফরেন্সনা ওলেম্পিকোসনা ফজখিবদগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অনীশুবা লেগতা নেদরলেন্দসকী এজাক্সনা স্পেনগী গেটাফেবু ২–১ দা থোইখ্রবসু এগ্রিগেটতা গেটাফেনা ৩–২ দা হেন্দুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী ৫শুবা মিনিটতা গেটাফেগী শান্নরেই জাইমে মাটানা অহানবা গোল চনখি। ১০শুবা মিনিটতা এজাক্সকী শান্নরোই দানিলোনা গোল অমা চল্লগা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৩শুবা মিনিটতা গেটাফেগী শান্নরোই মাথিয়াস ওলিভিয়েরানা শোয়বদগী চনখিবা গোলনা মেটচ অসি এজাক্সনা ২–১ দা মায় পাকখিবনি। অদুবু অহানবা লেগতা গেটাফেনা এজাক্সপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## রাহুল, কোহলি অনীশুবা অমসুং মাপনশুবদা লৈরি

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি লাওথোরকখিবা টি–২০ বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন লোকেস রাহুল অমসুং ভিরাট কোহলি ২শুবা অমসুং ৯শুবা পোজিসন্দা লেঙদনা লৈরি।

হন্দক্তা ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ ৫ গী টি–২০ সেরিজদা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন কে এল রাহুলনা পুন্না রন ২২৪ লৌখি। মহাক্কী অপুনবা রন অসিদা ফিফতি অনী অমসুং ফোর্টি প্লস রন অমা লৌখি। মহাক্না পোইন্ট ৮২৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পোইন্ট ৬৭৩ ফংলগা ৯শুবা অমসুং ওপনর রোহিট শর্ম্মনা পোইন্ট ৬৬২ ফংলগা ১১শুবা পোজিসন্দা লৈরি। টি–২০ বেট্টিংগী রেঙ্কিং অসিদা পাকিস্তানগী বেটসমেন বাবর আজমনা পুন্না পোইন্ট ৮৯৭ ফংলগা অহানবা মফম কনবা ঙম্লি।

টি–২০ গী বোল্লিং রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ ১২শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে। টি–২০ বোল্লিংগী চার্ট অসিদা আফগানিস্তানগী বোল্লর রসিদ খাননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী লেফ আম স্পিন্নর এষ্টোন অগার থাক ৬ হাইগৎলগা ৪শুবা মফমদা লৈখ্রে। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা স্পিন বোল্লর এদাম জাম্পাসু থাক অমা হাইগৎলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

## আই এস এলগী লাষ্ট ফোরদা অৱে গোলগী রুল চৎনগনি

*মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লাওথোকখিবগা লোয়নন্না লাষ্ট ফোরদা অৱে গোল রুল চৎনগনি হায়না ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহানবা লেগকী সেমি ফাইনেল মেটচশিং চেন্নাই অমসুং বেঙ্গালুরুদা ফেব্রুৱারি ২৯ অমসুং মার্চ ১ দা মথংশিৎনা শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা লেগকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংনা মার্চ ৭ তা গোৱাদা অমসুং ৮ কোলকটাদা শান্নরগনি। মেটচ খুদিংমক নুমিদাং পুং ৭.৩০ দগী শান্নবা হৌগনি।

সেমি ফাইনেল ৱানগী অহানবা লেগতা চেন্নাইন এফ সিনা এফ সি গোৱাগা চেন্নাইদা থা অসিগী ২৯ দা শান্নরগনি। অনীশুবা লেগনা মার্চ ৭ তা গোৱানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নগনি। সেমি ফাইনেল টুগী অহানবা লেগকী মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিনা য়ুম্বু ওইরগা এটলেটিকো দি কোলকটাগা মার্চ ১ দা শান্নগনি। টিম অনীগী অনীশুবা লেগনা কোলকটাদা মাচ ৮ দা শান্নগনি।

## মমাঙগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মেগনিনিনা দোপিং বেনগী মায়োক্তা তৌখিবা অপিল মায় পাকখ্রে

*মিলান, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইল স্বিম্মিংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা ইটালিগী নুপা স্বিম্মর ইটালিগী ফিলিপ্পো মেগনিনিনা মহাক্কী মথক্তা থল্লকখিবা দোপিং বেনগী মায়োক্তা তৌখিবা অপিল মায় পাকখ্রে।



মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ইটালিগী স্বিম্মর ফিলিপ্পো মেগনিনি ইটালিগী এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদো) না কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা মশান্না অসিদগী চহী ৪ অথিংবা থমখিবনি। মহাকপু অথিংবা থল্লকখিবা অসি মহাক্না মশান্না অসিদগী পোত্থারবা মতুংদনি।

মহাক্কী মথক্তা ইটালিগী এন্টি দোপিং এজেন্সিনা চহী ৪ অথিংবা থল্লকখিবা অসিনা মরী লৈননা কোর্ট ওফ অরবিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) তা অপিল তৌখি।

হিরম অসিগী মতাংদা স্বিটজরলেন্দগী সিটি লোজেনদা বেজ তৌবা সি এ এসনা কুপ্না থিজিল্লবা মতুং ইটালিগী নুপা স্বিম্মর ফিলিপ্পো মেগনিনিনা ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং কোদ থুগাইখিবদগী খুদম ফংবা ঙমখিদবদগী মহাক দোপিং কেসতা মরাল লৈতে হায়না য়াথং পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, নাদোনা কুমজা ২০০৫ অমসুং ২০০৭ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইটালিগী স্বিম্মর ফিলিপ্পো মেগনিনিবু অহানবদা চহী ৮ অথিংবা থম্নবা দিমান্দ তৌখিবনি।

ইটালিগী অতোপ্পা স্বিম্মর মাইকেলি সান্টুকিদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওবা অচা–অথক অমসুং মেদিসিন পীজখিবা অমসুং দোপিং প্রদক্ট পীজ–পীথক তৌবগীদমক ন্যুত্রিসনিষ্ট গুইদো পোরসেল্লিনিবু ইটালিগী এন্টি দোপিং এজেন্সিনা চহী ৩০ অথিংবা থমখিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৪২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | T | S | ■ | A | G | E | N | T | ■ | P | S | S | T |
| B | O | O | T | ■ | B | A | Y | O | U | ■ | A | Q | U | A |
| B | A | R | E | L | Y | B | E | A | T | ■ | S | U | M | P |
| E | L | O | P | E | S | ■ | ■ | H | O | S | T | E | S | S |
| ■ | ■ | ■ | P | A | S | S | E | ■ | R | A | R | E | ■ | ■ |
| P | A | W | E | D | ■ | A | N | T | ■ | M | A | Z | D | A |
| I | T | O | ■ | S | W | I | V | E | L | ■ | M | E | E | T |
| P | A | N | S | ■ | A | L | I | N | E | ■ | I | D | E | E |
| E | L | B | A | ■ | D | O | O | D | A | D | ■ | B | R | A |
| S | L | Y | L | Y | ■ | R | U | T | ■ | A | S | Y | E | T |
| ■ | ■ | A | V | I | D | ■ | S | O | T | T | O | ■ | ■ | ■ |
| B | A | N | A | N | A | S | ■ | ■ | R | E | P | E | A | L |
| A | G | O | G | ■ | C | L | O | S | E | S | H | A | V | E |
| R | U | S | E | ■ | C | A | D | E | T | ■ | I | R | O | N |
| D | E | E | D | ■ | A | B | E | T | S | ■ | A | N | N | A |


On 3rd March, 2020

Happy Birthday
to
Hidangmayum Shrinivas Sharma
S/o Hidangmayum Nepolian Sharma
Sagolband Tera Amudon Leirak

"the day you were born was the most special and the happiest day of my life"

Venue :
Hotel Imphal
at 5.00 p.m.

SL/B/29,1&2


## টৌকিও টেষ্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর ১৭ শরুক য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

জপানগী কোনুং টৌকিওদা লৈবা অসাঙ্কা রেঞ্জদা চহী অসিগী এপ্রিল ১৬ তগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও টেষ্ট ইভেন্টতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৭ না শাবা সুট্টিং স্কৱাদ ঙসি নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) না লাওথোকখ্রে।

ইভেন্ট অসি মরুওইনা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা সুট্টরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবা সুট্টর ১৪ গা লোয়নন্না অতোপ্পা সুট্টর ৩ সু শরুক য়াগদৌরি। ৱুমেন'স রাইফল থ্রি পোজিসন্দা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবা টেজাস্বিনি সাৱন্টতি পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই হায়রি। টেজাস্বিনি সাৱন্টকী মহুত্তা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা নুপী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিলনা শরুক য়ারগনি।

ইভেন্ট পাঙথোকফম ওইরিবা অসাঙ্কা রেঞ্জ অসি কুমজা ১৯৬৪ গেমসতা রাইফল অমসুং পিষ্টোলগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা মফমনি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা লাওথোকখ্রবা টৌকিও টেষ্ট ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী সুট্টরশিং অদুদি নুপাগী কাঙলূপ্তা মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা সঞ্জিভ রাজপুট অমসুং আস্বারি প্রতাপ সিংহনি। মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা অভিসেক ভর্ম অমসুং সৌরভ চৌধারিনি। মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা দিভ্যান্স সিংহ পনৱার অমসুং দিপক কুমারনি। মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা অনিস ভনৱালা অমসুং অদর্স সিংহনি। অদুগা স্কীটতনা মাইরাজ অহমদ খান অমসুং অনগাদ ভির সিংহ বাজৱা শরুক য়াগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা অঞ্জুম মোদগিল খক্তনি। মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা মনু ভাকর অমসুং য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱালনি। মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা অপুর্ভি চান্দেলা অমসুং ইলাভেনিল ভালারিয়াননি। মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলদা রাহি সরনোভট অমসুং চিঙ্কী যাদবনি।

মিক্স এয়র পিষ্টোলদা অভিসেক ভর্ম অমসুং মনু ভাকরনা অহানবা পেয়র অদুগা সৌরভ চৌধারি অমসুং য়াসাস্বিনি সিংহ দেসৱালনা অনীশুবা পেয়র ওইনা শরুক য়াগনি। মিক্স এয়র রাইফলদনা দিভ্যান্স সিংহ পনৱার অমসুং অপুর্ভি চান্দেলানা অহানবা পেয়র অদুগা দিপক কুমার অমসুং ইলাভেনিল ভালারিয়াননা অনীশুবা পেয়র ওইনা শরুক য়াগনি।